# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-08-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৪-০৮-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা য়াওনা আইননা কাইবা থবকশিংদা চেন্নবা লালহৌবা ৮ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) দুরান কপকী গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা ঙসি ত্রাউ অমদি রিয়েল কাশ্মির ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা থেংনরগনি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- কোবিদ লাইচৎকী মতুংদা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম লেপ্তুনা ফগৎলক্লি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লালহৌবা ৮ ফাগৎলে।

রাজ্যগী পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখুরি। অরোনবা পাউশিংদা য়ুমফম ওইদুনা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা মীয়ামদগী

নমদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা লালহৌবা ৮ ঙরাং ফাগৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লন্নাই চিংখুদা লৈবা মশাগী ময়ুম মনাক্কী ফার্ম অমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(নোয়োন) কাংবুগী মীওই অমা ফাগৎখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউবম মরক ঙাঙোম লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী কে.সি.পি(তাইবংঙানবা)গী মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইতম থোংখোংদগীসু ঙরাং রাজ্য পুলিসনা প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই ৫ ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল ফোন ৫ ফংলে হায়রি।

**ইন্তিগ্রিতি(এল)ঃ** ২৮ শুবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম মনাক্তা লৈবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি পিলরদা মীয়ামা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোক্কনি। মদুগী তুংদা ইম্ফালগী জি.এম হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন(অমুকো)না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লৱাংনা হায়-কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ৪ দা লমদম অসিগী মীওই লাক্ষ ৫ হেনবনা ইম্ফালদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কাইবা য়ারোই হায়না চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু নিংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**--সাউন্দ বাইট--নন্দো**

**তামেংলোং(এল)ঃ** এন.এস.সি.এন(আই.এম)গা ভারত সরকারগা ৱারি শান্নরকপা চহী ১০ মপুং ফারকপগী নিংশিং থৌরম ঙরাং তামেংলোং ৱার্দ নম্বর ফোরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ধর্মগী লুচিংবশিং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মফম অদুগী মীয়ামা শরুক য়াখি।

**ত্রাইভ(এল)ঃ** ডা.অকু নিউমেবু জোইন্ট ত্রাইভস কাউন্সিল ওফ ইনপুই, লিয়াংমাই, রোমৈ এন্দ জেমেগী জেনরেল সেক্রেটরি খনখ্রে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লুপ অসিগী এগজিক্যুতিভ মীফমদা মহাকপু অনৌবা জেনরেল সেক্রেটরি খনখিবনি।

**রুটস(এল)ঃ** মণিপুর সরকারগী রুরেল দেভলবমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েতি রাজ বিভাগকী মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মীৎয়েং মখাদা শেন্মিৎলোন সিনাই ভিলেজ লেভেল ফেদরেসননা শিনবা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা মেলা অমা ঙসিদগী নম্বোল লৈমপোকপম মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। রুরেল রুটস মার্কেট অসিদা মফম অদুগী সেলফ হেলপ গ্রুপশিংনা পুথোকপা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া উৎকদৌরি।

**অস্বিনিঃ** কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- কোবিদ লাইচৎকী মতুংদা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম অমসুং টেকোলোজিগী চাউখৎপা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। ভিক্সিট ভারত সম্বাদকী থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- কোবিদ নাইন্তিনগী লাইচৎ মতুংদা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভমদা শোকচিল্লবস্ ভারতকী ওইনদি লেপ্তুনা ফিভম ফগৎলক্তুনা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভমদা খ্বাইদগী চাউবা ৪ শুবা লৈবাক ওইবা ঙল্লে। ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মংলান মংফাউনহন্নবা

লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমকা জাতিবু শেমগৎপগী থবক্তা শরুক য়ানবসু মহাকা ফোঙদোকখি।

শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- বন্দে ভারত ত্রেন অসি লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা মালেমগী থাক্তা চাংদমবা য়ারবা ভারতকী ইন্নোভেসন অমনি। ইলেক্ত্রোনিক্সকী মচাক মথুমশিং শাবগী লমদসু ভারত অসি মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্লি হায়নসু মহাকা শিংথাখি।

**দেল্লিঃ** দেল্লি বিধান সভানা চাদা ১০০ সোলর পৱর শিজিন্নবা লৈবাক অসিগী অহানবা বিধান সভা ওইরে। কেন্দ্রগী লো এন্দ জস্তিসকী রাজ্য মন্ত্রি অর্জন রাম মেঘৱালনা কিলোৱাট ৫০০ রুফতোপ সোলর পৱর প্লান্ট অদু শঙ্গাবগী থৌরম অমদা হায়- লৈবাক অসিগী অতোপ্পা বিধান সভাশিং অমদি সরকারগী ওফিসশিংদসু অসুমা সোলর পৱরদা ওন্থোকপগী মতম ওইরে। মন্ত্রিনা দেল্লি বিধান সভাগী থবক থৌরমশিং চে য়াওদনা দিজিতেলগী খুথাংদা পাঙথোকবগী পান্দমদা নেসনেল ঈ-বিধান এপ্লিকেসনসু হৌদোকখি।

ঈ-বিধান প্রোজেক্ট অসিনা বিধান সভাগী থবক থৌরমশিংদা খুমাং য়ানবা অমদি মনুং মপান ফাওনা থবক তৌবা ঙম্লগনি। মীয়ামা ঈ-বিধান এপ্লিকেসন শিজিন্নদুনা বিধান সভা অসিগী খঙনিংবশিং খঙবা য়াগনি।

**দুরান কপঃ** ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান কপকী গ্রুপ-এফকী মেটচ অমদা ঙসি তিদ্দিম রোদ এথলেতিক য়ুনিয়ন(ত্রাউ) অমদি রিয়েল কাশ্মির ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা শান্নরগনি।

নুংথিল পুং ৪ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি য়েংননবা মীয়ামা শেম শানরি। ত্রাউগী অহানবা মেটচতা নেরোকাগা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। রিয়েল কাশ্মিরগা ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-১ দা মাইথিহৌখিবনি। টিম অনি অসি লিগ তেবলদা নেমা

লৈরিবা মরমা মাই পাকবা অকনবা লম্বা তৌনগনি হায়না পানরি। টুরনামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মোহন বগান সুপর জাইন্স অমসুং বি.এস.এফ ফুটবোল টিম নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা কোলকতাগী কিসোর ভারতি ক্রিরাঙ্গন স্তেদিয়মদা শান্নরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরগী লম্বী অয়াম্বা থিকাদার অমদি ইঞ্জিনিয়র খরনা মখোয়গী শেন্দানফম ওন্থোকখ্রব্রা হায়বা মীয়ামগী ৱাহং অমসুং জর্মণ অমদি তাইগর রোদকী ৱাথোক মীয়ামা তুমিন্না লৈশিনবা ইস্যু অসি থৌওইদে তাকপনি হায়বা এফ.এন.সি.সিগী ৱাফমনা- নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ওর্গান দোনেট তৌবা অসি মীওইবগী খ্বাইদগী চাউবা কথোকপনি হায়বা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্তেন্দেন্ট খুমুকচম লোকেস্বরগী ৱাফম অমদি চহী অমদা লাক্ষ ৫ হেন্না ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টকী অৱাৎপা লৈবদা লিশিং ১৫ খক মেনখৎলি হায়বা পাউ অমসুং য়ু.এন.এল.এফকী ১০ শুবা জেনরেল এশেমব্লি পাঙথোকখিবগী পাউশিং অসিনা- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সেক্রেটরিয়েট পুলিস স্তেসন হাংবা, এস.দি.পি.ও পোষ্ট ১২ শেম্বদা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে অমসুং ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট চহী ১০ মপুং ফাখ্রে, অতেনবা মতমদা ৱারোইশিন পুথোকবা তকশিল্লি হায়বা পাউ অসিনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

দেল্লিদা মণিপুরগী মহৈরোই অনি থাংনা থিল্লম্বদা চেন্না মীওই অহুম ফারে অমদি এন.আই.এনা জিরিবামগী মীহাৎকা মরী লৈনবা মীওইশিং সুনা ফাবীয়ু হায়বা জে.এ.সিগী ৱাফমনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

বি.এস.এফকী এ.দি.জি মণিপুরদা লাক্কুনা রাজ্যপালগা উনখিবগী পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

য়ু.এন.সিনা ভারত সরকারদা ইন্দো নাগা পোলিতিকেল ইস্যুগী মতাংদা য়ানখিবশিং থবক্তা ওন্থোকপীয়ু তকশিনখ্রে অমসুং অনসমনা ইন্দো নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সহী তৌনখিবা চহী ১০ হেল্লবা ফাওবা অহোংবা অমত্তা করিগী লৈত্রিবনো হায়বা ৱাহংনা- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরনা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মরক্তা ওর্গান দোনেট তৌবা খ্বাইদগী ৱাংবা রাজ্য ওইরে হায়বা পাউ অসিনা- গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রি মল্টি পপর্জ হোলদা ইন্দো নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সহী তৌনখিবা চহী ১০ শুরকপগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**